## ফাইজরগী ভেক্সিন কাপ্লবা মীওই ১২,৪০০ হন্না পোজিটিভ ওইরে

টেল অবিব, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী) : ফাইজর/বাইওএনটেক ভেক্সিনগী ইফিকেসিদা চাওনা চৈথেং পীবা খোঙথাং অমদা ইজরেলদা ভেক্সিন অসি কাপখ্রবা মীওই ১২,৪০০ হেন্না শাথিরবা কোরোনা ভাইরস ইনফেক্সন দিটেক্ট তৌবগী টেষ্টশিংদা পোজিটিভ ওইরল্লে।

মীদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না, ভেক্সিন অদুগী অনীশুবা ফেজ কাপখ্রবা মীওই ৬৯ সু কোরোনা ভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। ইজরেলগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা ফাইজরগী ভেক্সিন অদু কাপ্লবা মতুংদা পুন্না মীওই ১,৮৯,০০০ টেষ্ট তৌখি। অদুদা মীওই চাদা ৬.৬ মখা তানা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরমখি।

ইজরেলগী ভেক্সিনেসন দ্রাইভ দিসেম্বর ১৯ দা হৌখিবনি অহল ওইরবা মীওইশিং মশাদা হান্নদগী অতৈ লায়না চেনবশিং অমসুং মেদিকেল ৱার্কর খরদা হান্না ভেক্সিন কাপখি। ইজরেলি হেল্থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী মীশিংগী শরুক মরি থোকপগী অমা হেন্না ফাইজর ইঙ্ককী ভেক্সিন কাপ্লে অমসুং মখোয়গী মনুংদা চাদা ৩.৫ রোমদা ভেক্সিনগী অনীশুবা দোজ সু কাপ্লে।

থা অমগী মমাংদা ভেক্সিনেসন হৌখিবদগী লৈবাক অসিনা অপূনবা মীশিং মিল্লিয়ন মাপনগী মনুংদা মিল্লিয়ন ২.২ হেন্না ভেক্সিন কাপখ্রে হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রি য়ুলি ইদেলষ্টাইননা ফোঙদোকখ্রে।

## আর এস এস-বি জে পিগা মরী লৈনবা দেমোক্রেটশিং বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসনদা য়াওহন্দ্রে




ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী) : য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা নুপী ১৩ য়াওনা য়ামদ্রবদা ইন্দিয়ন অমেরিকান ২০ মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসনদা মরু ওইবা ফমশিং পায়হনখ্রে।

মসিমক অমেরিকাগী অপূনবা মীশিংগী চাদা অমখক ওইরিবা অপিকপা ইথনিক কম্যুনিটি অমগী ওইনদি রেকোর্দ অমনি। অদুম ওইনমক লিষ্ট অদুদা বাইদেন কেম্পেইনদা থবক তৌখিবা আর এস এস-বি জে পিগা শম্নৈ হায়বা ইন্দো অমেরিকান খরদি হৌজিক ফাওবা য়াওদ্রি।

বাইদেননা মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসনদা মরু ওইবা ফমশিং পায়হন্নবনি হায়দুনা নোমিনেট তৌখিবশিংদুগী লিষ্টতা সোনালি সাহ অমসুং অমিট জানিগুম্বা মীওইশিং য়াওদে। ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসনগী ষ্টাফর অনী অসি রাষ্ট্রিয়া স্বায়মসেবক যংঘ (আর এস এস) অমসুং ভার্তিয়া জনাটা পার্টি (বি জে পি) শম্নবনা মরম ওইদুনা হৌজিক ফাওবা লিষ্ট অদুদা য়াওদ্রি হায়না ত্রিব্যুনগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

বাইদেনগী য়ুনিটি টাস্ক ফোর্সতা য়াওদুনা মথৌদাং পাঙথোকখিবা সোনাল সাহগী অপোকপা বি জে পি-য়ু এস এগী ওভর্সিজ ফ্রেন্দসকী প্রসিদেন্ট ওইখিবগা লোয়ননা আর এস এসনা চলাইবা ইকাল বিদ্যালয়া হৌদোকখিবা মীশক্লি। রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না, সাহনা ইকাল বিদ্যালয়াগী ফন্দ দ্রাইভ তৌখি।

বাইদেননা নোমিনেট তৌবা ইন্দিয়ন অমেরিকানশিংগী লিষ্টতা জানি য়াওরমদ্রিবসিসু খন্নবা য়াবা ৱাফম ওইরি। রিপোর্ট অদুনা হায়, আর এস এস বিজে পিগা শম্নবশিং বাইদেনগী টিমদা য়াওদ্রিবসি মরু ওইনা সেক্যুলর ইন্দিয়ন-অমেরিকান ওর্গনাইজেসনশিংনা মহাক্কী ত্রাঞ্জিসন টিমদা অসিগুম্বা মীওইশিং নাকনদা থম্নবা তকশিনবদগীনি।

হিন্দুত্বা প্রোজেক্ট য়াদবা ওর্গনাইজেসনশিংগী এক্টিভিজম কনখৎলকপদগী গভর্ণমেন্টনা বি জে পি-আর এস এস শম্ন বশিং য়াওহনবগী মতাংদা দেমোক্রেটশিংদা থোইদোক্লা চেকশিল্লকখি। মসিদসু নত্তনা হিন্দত্বা পোজেক্টকা মরী লৈনবা কেন্দিদেট কয়া মায়থীবা নংবসু লৈখ্রে হায়না সোর্ছশিং পল্লদুনা রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোক্লি।

টেক্সাসকী ২২ শুবা দিষ্ট্রিক্ট পায়নবগী কন্না কন্টেষ্ট তৌনখিবা মীখলগী লালদা শ্রীনিভাস রাও প্রেষ্ট্রোন কুলকর্নি মায়থীবা নংদুনা কোংগ্রেসকী সিট অসি মহাক্কী রিপব্লিকান রাইভেল ট্রোই নেহলনা ফঙখি। মদু মরু ওইনা সেক্যুলর ওইবা ইন্দিয়ন-অমেরিকান ওর্গনাইজেসন কয়ানা কন্না য়েৎলকখিবদগী লাকখিবা ফীভমনি। মরম অসিদগী শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়না থাজনখিবা তুলসি গবার্দসু পোলিটিকেলগী খোঙদাফম মাংখি।

বাইদেননা মরু ওইবা ফমশিং পায়হন্নবগীদমক্তগা নোমিনেট তৌরবা ইন্দিয়ন-অমেরিকানশিংগী লিষ্টতা নীরা টান্দেননা খ্বাইদগী মকোক্তগা লৈ। মহাক হ্বাইট হাউস ওফিস ওফ মেনেজমেন্ট এন্দ বজেটকী দিরেক্টরগী ফম শিন্ননবগীদমক নোমিনেট তৌখিবনি।

ডা. বিবেক মুর্থি সর্জন জেনরেলগী ফমগীদমক অমসুং বানিতা গুপ্তনা এসোসিএট এটোর্নি জেনরেল দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিস ওইনা নোমিনেট তৌখি।

## চাইনা থেংননবা জপান-ইন্দিয়ানা ম্যান্মারগা মরী চেৎশিনহন্নবা হোৎনরি



*নেপিদো, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী) : জপাননা চাইনা থেংনবদা হেন্না খুদোং চানবগীদমক্তা ম্যান্মরগা লৈনবা মরী হেন্না চেৎশিনহল্লগনি। পান্দম অসিগা মরী লৈননা জপান-ম্যান্মার এসোসিএসন (জে এম এ) গী চোরমেন অমসুং জপানগী হাউস ওফ কাউন্সিলর্সকী হান্নগী মেম্বর ৱাটানাবে হিদিওনা হন্দক্তা নেপিদোদা খোঙচৎ অমা লাক্তুনা ম্যান্মারগী মরু ওইবা লিদরশিংগা উন্নখ্রে।*

*ইৱাৱাদি পাউ চেগী রিপোর্টনা হায়, চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎ অদুদা ৱাটানাবেনা ম্যান্মারগী ষ্টেট কাউন্সলর ওং সান সু চি, দিফেন্স চীফ জেনরেল মিন ওং হলাইং অমসুং সিনিয়র ওফিসল কয়া উনখি। খন্নখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা জপানিজ ইনভেষ্টমেন্ট অমসুং ঙাক শেলগী মরী ফগৎহনবা য়াওখি।*

*নেপিদোনা সোসিও-ইকনমিক দিভলপমেন্ট মরু ওইনা এদ্যুকেসন অমসুং হেল্থ সেক্টরশিংদা জপাননা পীরিবা মতেং হেনগৎহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি। জপাননা ম্যান্মারবু চাইনাগী ইথিলদগী য়ারিমখৈ থাপতোকহন্নবগী থবক হেন্না কনখৎলক্লি। ম্যান্মারদা দিমোক্রেসি চাওখৎহন্নবা হোৎনরদুনা জপাননা সু চিগী নেস্নেল লিগ ফোর দিমোক্রেসি সপোর্ট তৌরি।*

*ইথনিক গ্রুপ মশীং য়াম্না লৈবা লৈবাক অসিগী অমগা অমগা মুক্তরিবা কম্যুনিটিশিংবু হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মীখলদা অমত্ত চিথ্নদনা শরুক য়াহন্নবা জপাননা অঙম্বা থাক্তা হোৎনখি। লৈবাক অসিনা টাটমাদো হায়না খঙনবা ম্যান্মার অর্মী অমসুং অরাকান অর্মী (এ এ) গী মিলিটেন্টশিংদসু নিগোসিএসন তৌনদুনা লমদম অদুদা মরা তপ্পা ফীভম লাকহনবদা মতেং পাংনবা হোৎনরি।*

*ম্যান্মারগী মরু ওইবা এক্টরশিং ওইরিবা হৌজিকসু মতিক ময়াই লৈরিবা অর্মী অমসুং অনৌবা গভর্ণমেন্ট অনীমক্না থাজবা থল্লিবা জপাননা ম্যান্মারগী মনুংগী ওইবা ইশ্যুশিংগী মতাংদা লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা কুপ্পা খন্না নৈনরগনি। ৱাটানাবে মশামক জেনরেলশিংনা ম্যান্মারদা দিমোক্রেসি হঞ্জিনহন্দ্রিঙৈগী মমাংদা লৈবাক অসিদা তোয়না চত্তুনা মিলিটরি রেজিমনা তত্তনা ৱা তানখি।*

*কুমজা ২০২০ গী দিসেম্বরদা জপান গভর্ণমেন্টগী অখন্নবা পাউখোলোই অমসুং নিপ্পোন ফাউন্দেসনগী চোরমেন য়োহৈ সাসাকাৱা ম্যান্মারদা খোঙচৎ অনী মতম ইকান কান্নদনা চৎখি। মহাক ম্যান্মারদা নেস্নেল রিকোন্সিলিএসন লাকহনবগী থৌদা শিন্নবা জপান গভর্ণমেন্টকী মরু ওইবা মীশক্লি। দাৱৈ স্পেসল ইকনমিক জোন (এস ঈ জেদ) চাওখৎহন্নবা ম্যান্মারগী মায়কৈদগী হৌদোকখিবা ৱাফম হন্দক্তা জপাননা য়াখি।*

## ত্রম্পকী ইম্পিচমেন্ট ত্রাইএল য়েথোক্লবা সিনেট রিপব্লিকান লিদরনা প্রপোজ তৌখ্রে

ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী) : দিফেন্সকীদমক শেম শানবা মতম মরাং কায়না ফঙহন্নবা হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী ইম্পিচমেন্ট ত্রাইএল ফেব্রুৱারীগী ময়াই থংবা শরুক ফাওবা থিন্থগদবনি হায়না য়ু এস সিনেট রিপব্লিকান লিদর মিটচ মেককোন্নেলনা ফোঙদোকখ্রে।

শগোলশেন নুমিত্তা পাঙথোকখিবা রিপব্লিকান সিনেটশিংনা শরুক য়াখিবা কনফরেন্স কোল অমদা মেককোন্নেলনা হায়খি মদুদি মমাংদা প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা পাঙথোকখিবা ত্রাইএলশিংদা মতম মরাং কায়না ফঙহনখিবগুম্না ত্রম্পতা হন্দকসু ত্রাইএল অসিগীদমক শেম শাবগী মতম মরাং কায়না ফংহনগদবনি। অদুনা মহাক্লা প্রোসিদিং অদু ফেব্রুৱারীগী অনীশুবা চয়োল ফাওবা য়েথোকপা পাম্মী।

মদু ফেব্রুৱারী ১৩ নত্রগা ১১ ওইহনবা য়াই হায়না কনফরেন্স কোল অদুদা য়াওখিবা সিনেটর মাইক ব্রাউননা ফোঙদোকখি। ত্রাইএল অদু য়েথোকপগী মতাংদা দেমোক্রেটশিংগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা থল্লক্ত্রি হায়না মেককোন্নেলনা শগোলশেন নুমিত্তা হায়খি।

পোলিটিকেলগী ওইবা লুরবা তানফম অসিদা মপুং ফাদবা প্রোসেস অমনা হান্নগী প্রসিদেন্ট ত্রম্পকী ইম্পিচমেন্ট ত্রাইএলবু মশক থিহনবা নত্রগা সিনেট নত্রগা প্রসিদেন্সিদা শোকহল্লোইদবনি হায়বসি সিনেট রিপব্লিকানশিংগী থাজবনি হায়না মেককোন্নেলনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি। সিনেটকী ইম্পিচমেন্ট রুলশিংগী মখাদা হাউস মেনেজরশিংনা অপ্পর চেম্বরদা ইম্পিচমেন্টগী অর্টিকলশিং পুথোক্লবা মতুংদা ত্রাইএল চত্থগদবনি হায়না থা অসিগী অঙনবদা মেককোন্নেলনা রিপব্লিকান সিনেটরশিংদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

হাউসকী স্পিকর নেন্সি পেলোসিনা শগোলশেন নুমিত্তা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা হাউসনা ত্রাইএল হৌনবা শেম শারে। তৌইগুম্বসুং ইম্পিচমেন্ট অর্টিকল থাদ্রিঙৈদা সিনেটনা শেম শাদ্রিফাওবা ঙাইগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

## বাইদেননা ন্যু এস টি এ আর টি অর্মদ ত্রিটি চহী মঙা শাংদোকহন্নবা হোৎনরি

ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী) : য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ন্যু এস টি এ আর টি আর্মদ ত্রিটি চহী মঙা শাংদোকহন্নবা রশিয়াগা য়ানবা পুরক্লবা হোৎনরগনি হায়না হ্বাইট হাউসনা শগোলশেন নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মসি ফেব্রুৱারীগী অঙনবা শরুক্তা ত্রিটি অসিগী মতম লোইদ্রিঙৈগী মাংওইননা অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেসন অসিনা ইহান হান্না লৌরকপা ফোরেন পোলিসিগা মরী লৈনবা মরু ওইবা ৱারেপশিংগী মনুংদা অমনি।

হ্বাইট হাউসকী প্রেস সেক্রেটরি জেন পসাকিনা ব্রিফিং অমদা হায়খি। প্রসিদেন্টনা ন্যু এস টি এ আর টি ত্রিটি অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী নেস্নেল সিক্যুরিটিদা য়াম্না মরু ওইনা মতম মশাংনা খন্দুনা লাকখি। রশিয়াগা লৈনরিবা মরীদা খুরৌ থাংবগী ফীভম অমা লৈরিঙৈ তাল্লক অসিদা ত্রিটি অসিগী মতম শাংদোকহনবা হায়বসি হেন্না ৱাহন্থোক লৈবা খোঙথাং অমা ওইরি। পসাকিনা মখা তানা হায়খি মদুদি সোল্লর ৱিন্দস সাইবর ব্রিচ, কুমজা ২০২০ গী ইলেক্সনদা রশিয়ানা খুৎ থিংজিনখিবা, ওপোজিসন লিদর অলেক্সি নভালনিগী মায়োক্তা রশিয়ানা কেমিকেল খুৎলাইশিং শীজিন্নবা অমসুং অফঘানিষ্টানদা লৈবা য়ু এস লান্মীশিং হাৎপদা শেলগী মনা লাউথোকখি হায়বনচিংবা ৱাফমশিংগী মতাংদা মপুং ফানা থিদোক্লবা বাইদেননা য়ু এস ইন্টলিজেন্স কম্যুনিটিদা খঙহনখ্রে।

ঐখোয়না য়ু এসকী অনিংবা অপান্থগী মতুং ইন্না রশিয়াগা খুৎশম্ননা থবক তৌমিন্নাবা হোৎনবা লৈরবসু রশিয়ানা অফ-ফত্তা খন্দনা তৌখিবনি হায়বা থবক কয়াবুসু ঐখোয়না য়েংশিল্লগনি। ফেব্রুৱারী ৫ দা মতম লোইগদবা আর্মদ কন্ট্রোল ত্রিটি অসিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং রশিয়াবু ষ্ট্রেটেজিক ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ ১,৫৫০ দগী হেন্না দিপ্লোই তৌবদা অথিংবা থল্লিবনি।

দিপ্লোই তৌরিবা ষ্টেটেজিক ন্যুক্লিয়র খুৎলাইশিংবু চহী কয়ামুক্কী মনুংদা খ্বাইদগী নেম্বা চাংদা মশীং হন্থহনবগী মথক্তা ন্যু এস টি এ আর টি অসিনা লেন্দ অমসুং সবমেরিনদা বেজ তৌবা মিসাইলশিং অমসুং মখোয়বু পোলিমর তৌগদবা বোম্বরশিংগী মশীংদসু পনখৈ লৈহল্লি।

ত্রিটি অসিবু কাইহন্দনা থম্বগা লোয়ননা মতম শাংদোকহনবা অসিনা অমেরিকানশিংবু হেন্না সেফ ওইহল্লগনি হায়না পেন্টাগোননা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

## বাঘদাদতা চত্থখিবা সুইসাইদ বোম এটেকশিং আই এসনা ক্লেম তৌখ্রে

বাঘদাদ, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী) : বাঘদাদকী মী চিল্লবা মার্কেট এরিয়া অমদা চত্থখিবা মীওই ৩২ শিখিবগা লোয়ননা অতৈ মীওই ১১৬ অশোক অপন নঙখিবা সুইসাইদ বোম এটেক অনী অদু ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) টেরর গ্রুপ অসিনা ক্লেম তৌরক্লে হায়না ইরাই নুমিত্তা ইরাকি মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

লোকেল মীদিয়ানা আই এসকী ওনলাইন ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা হায়, অবু য়ৌদিস অল-অনসারি অমসুং মোহম্মদ অরিফ অল-মুহাজির কৌবা সুইসাইদ বোম্বর অনীনা শগোলশেন নুমিত্তা বাঘদাদকী দাউনটাউন এরিয়াদা তিনখিবা সিয়াশিংদা টার্গেট তৌখি।

শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক্তা সুইসাইদ বোম্বর অমনা বাব অল-সারজি এরিয়াদা লৈবা মী চিল্লবা সেকেন্দ-হেন্দগী ফি রোলশিং য়োনবা আউটদোর কৈথেল অমদা মশাদা য়াওবা এক্সপ্লোসিভশিং পোকখায়হন্দুনা এটেক তৌখি। মিনিট খরগী তুংদা মফম অদুমক্তদা অনীশুবা সুইসাইদ বোম্বর অমনসু মান্নবা মওংদা মশাদা য়াওবা এক্সপ্লোসিভস পোকখায়হন্দুনা এটেক চত্থখি।

নুমিৎ অদুগী অথেংবদা ইরাকি ফোর্সেসকী কম্যান্দর-ইন-চীফসু ওইরিবা প্রাইম মিনিষ্টর মুষ্টাফা অল-কধিমিনা চ্যের লৌদুনা সেক্যুরিটি অমসুং ইন্টলিজেন্স কম্যান্দরশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা ইমর্জেন্সি মীফম অমদা বাঘদাদতা সিক্যুরিটিগী থৌরাং শোনখিবগী মতাংদা খন্নখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন অমা হৌখ্রে হায়না মীফম অদু লোয়রবা মতুংদা অল-কাধিমিগী মীদিয়া ওফিসনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা সুইসাইদ বোম এটেকশিং অদুগা মরী লৈননা অল-কাধিমিনা সিক্যুরিটিগী সিনিয়র ওফিসল অমসুং কম্যান্দর মঙা মফম থদৎখ্রে হায়না ইরাকি ফোর্সেসগী স্পোকস্‌মেন যহিয়া রাসোলনা ত্বিটর অমদা ফোঙদোকখি। কুমজা ২০১৭ গী অথেংবা শরুক্তা লৈবাক অসিগী মফম পুম্নমক্তা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপপু ইরাকি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মপুং ফানা মায়থিবা পীখিবদগী সিক্যুরিটিগী ফীভম ফগৎলকখিবা চহী অনীরোমগী মনুংদা বাঘদাদতা চত্থরকখিবা অসিগুম্বা মখলগী অহানবা এটেকনি।

## সিষ্টেমদা অশোয়বা লৈবদগী প্লেন কায়খিব্রা খঙদোক্লবা থিজিল্লি

জকার্টা, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী) : ইঞ্জিনগী পৱার ওটোমেটিক ওইনা কন্ট্রোল তৌরিবা ওটোথ্রোটল সিষ্টেমদা প্রোব্লেম লৈবদগী শ্রীৱিজায়া এয়রগী প্লেন কায়বগী থৌদোক অদু থোকহনখিব্রা হায়বসি খঙদোক্লবা এয়র এক্সিদেন্ট অদুগী ইনভেষ্টিগেটরনা থিজিল্লি হায়না ওফিসল অমনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

নেস্নেল ত্রান্সপোর্টেসন সেফটি কম্মিটি (কে এন কে টি) গী ইনভেষ্টিগেটর নুরকেয়ো উটোয়োনা ফোঙদোকখিবদা কায়খিবা বোইং ৭৩৭-৫০০ অদুগী ওটোথ্রোটল সিষ্টেমদা প্রোব্লেম অমা লৈরে হায়না এক্সিদেন্ট অদুগী নুমিৎ খরনিগী মমাংদা রিপোর্ট তৌবা লৈখি।

ওটোথ্রোটলদা অশোয়বা য়াওরে হায়না মেন্টেনেন্স লোগকী টেক্নিসিয়নদা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা রিপোর্ট তৌখিবা ওইরবসু করম্বা মখলগী প্রোব্লেমনো হায়বসি ঐখোয়না খঙখিদে। কোকপিট ভোইস রেকোর্দর ফঙলবদি ঐখোয়না পাইলোটশিংগী মরক্তা ঙাঙনখিবশিং তাদুনা করি প্রোব্লেম লৈখিবগে হায়বদু খঙবা ঙমগনি।

## ওক্সফোর্দকী ভেক্সিন শীজিন্নবগী অয়াবা পীখ্রে

কলম্বো, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী) : শ্রীলঙ্কাদা ওক্সফোর্দ অষ্টাজেনেকাগী ভেক্সিন ইমর্জেন্সিদা শীজিন্নবগী অয়াবা লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা ইরাই নুমিত্তা পীখ্রে হায়না ফার্মস্যুটিকেল প্রদক্সন এন্দ রেগ্যুলেসন মিনিষ্টর চানা জয়াসুমানা ফোঙদোকখ্রে।

জয়াসুমানানা ফোঙদোকখিবদা, বৃটিশ ভেক্সিন অদু ইমর্জেন্সিদা শীজিন্ননবা নেস্নেল মেদিসিন্স রেগ্যুলেটরি ওথোরিটিনা অয়াবা পীখ্রে। অতৈ ভেক্সিন কয়াসু খন্নরি। ভেক্সিন অদু ফেব্রুৱারী থাখায় চনবা ফাওবগী মনুংদা শ্রীলঙ্কাদা পুরক্লগনি।

প্রাইমরি হেল্থ ক্যের মিনিষ্টর সুদর্সনিগী মতুং ইন্না অপূনবা মীশিংগী চাদা ২০ ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন্না ভেক্সিন কাপকনি অমসুং লৈবাক অসিগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ৩০ না গভর্ণমেন্টনা ভেক্সিন লৈরগা কাপকনি। লৈবা অসিদা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯ পেসিএন্ট ৫৬,০০০ হেন্না রেকোর্দ তৌখিবগা লোয়ননা লায়না অসিনা মীওই ২৭৬ শিনখ্রে।

রাষ্ট্রীয় ডিজ়াইন সংস্থান
NATIONAL INSTITUTE OF DESIGN

এদমিসনশিং ২০২১-২২

**বেচলর ওফ দিজাইন** (বি. দিঈএস-চহী ৪)
এন আই দি অহমেদবাদ, এন আই দি অন্ধ্র প্রদেশ,
এন আই দি হরয়ানা, এন আই দি মৈধ্য প্রদেশ অমসুং এন আই দি অসামদা ওফর তৌরি

**মাষ্টর ওফ দিজাইন** (এম দি ঈ এস-চহী ২.৫)
এন আই দি অহমেদবাদ (অমসুং মসিগী গান্ধীনগর, অমসুং বেঙ্গলুরুদা লৈবা এক্সটেন্সন কেম্পনশিং) দা ওফর তৌরি

**ডোক্টর ওফ ফিলোজোফি (পি ঐচ দি) ইন দিজাইন**
(ফুল টাইম: চহী ৩/পার্ট টাইম : চহী ৫) এন আই দি অহমেদবাদতা ওফর তৌরি। মার্চ ২০২১ দা লাওথোক্কদবনি।

নেস্নেল ইন্সটিট্যুট ওফ দিজাইন, অহমেদবাদ (অমসুং মসিগী গান্ধীনগর, অমসুং বেঙ্গলুরুদা লৈবা এক্সটেন্সন কেম্পশিং) অসি এন আই দি এক্ট ওফ ২০১৪ না লিংখৎহনখিবা লৈবাক্কী মরু ওইবা ইন্সটিট্যুসন অমনি অমসুং দি পি আই আই টি, মিনিষ্ট্রি ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা লৈবা ষ্টেট্যুটরি ইন্সটিট্যুট অমনি।

এন আই দি অন্ধ্র প্রদেশ, এন আই দি হরয়ানা, এন আই দি মৈধ্য প্রদেশ অমসুং এন আই দি অসাম, এন আই দি (এমেন্দমেন্ট) এক্ট, ২০১৯ গী খুথাংদা লিংখৎখিবা অমসুং দি পি আই আই টি, মিনিষ্ট্রি ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা লৈবা লৈবাক্কী মরু ওইবা ওটোনোমস ইন্সটিট্যুসনশিংনি।

এন আই দি অহমেদবাদনা পি ঐচ দি প্রোগ্রাম ইন দিজাইন (ফুল টাইম: চহী ৩/পার্ট টাইম: চহী ৫) ওফর তৌরি। দিজাইন রিসার্চকী প্রাইওরিটি এরিয়াশিংদা দিজাইন এদ্যুকেসন, দিজাইন ইন্নোভেসন, সোসল ইন্নোভেসন, দিজাইন ফোর ক্রাফট এন্দ কলচর, দিজাইন প্রেক্টিস য়াওরবসু মখোয়তনা লোইবা নত্তে।

ওনলাইনদা বি দি ঈ এস অমসুং এম দি ঈ এসকী এপ্লিকেসনশিং সবমিট তৌবগী অরোইবা তারিখ
নোংমাইজিং, ফেব্রুৱারী ৭, ২০২১

অহেনবা ইনফোর্মেসন অমসুং ওনলাইনদা এপ্লাই তৌনবগীদমক ভিজিট তৌবিয়ু:
https://admissions.nid.edu

davp 05216/11/0001/2021

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## PUBLIC HEALTH ENGINEERING DEPARTMENT

**ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION**

Imphal, the 22nd January, 2021

No.CE/PHE/1-95/2021/3587: In pursuance of Secretariat, P.H.E. Department letter No.SMs-201/1/2020-PHED-PHED-Part(2) dated 11th January, 2021, Department of Public Health Engineering, Government of Manipur, invites application from eligible candidate for appointment to the following posts on contractual basis for District level laboratories and IMIS Cell for Districts and Head Quarter office under Jal Jeevan Mission in Public Health Engineering Department.

**A) The Service conditions are as below.**

| Sl. No. | Name of Post | Minimum Qualification | Monthly Remuneration | No. of Posts | UR | OBC (M) | OBC (MP) | ST | SC |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Junior Chemists | B.Sc. with Chemistry Desirable : with Computer knowledge | Rs.13,700/- | 7 | 4 | 1 | - | 2 | - |
| 2. | Laboratory Assistants | Class 12(twelve) Science passed with Computer knowledge | Rs.10,000/- | 6 | 4 | 1 | - | 1 | - |
| 3. | Data Entry Operator | Class 12(twelve) passed with Diploma in Computer Application (DCA) Desirable : Experience in Govt/Semi Govt./ Autonomous organisation of repute. | Rs.10,000/- | 30 | 17 | 3 | 1 | 9 | - |

**B) Mode of Selection:** Merit based on Education qualification and interaction.

**C) Issue & submission of form:**

| Sl. No | Date of Issue | Submission | Remark |
|---|---|---|---|
| 1. | Form can be downloaded from officials website www.phedmanipur.gov.in w.e.f. 22.01.2021 onwards. | 22.01.2021 to 27.02.2021 (No forms received after the above given last date shall be accepted) | All candidates/applicants should be sponsored by concerned Employment Exchange. 2) Form may be submitted at the counters opened at PHED Office Complex, Khuyathong during office hour on working days. |

**D) Criteria :**

i) Age Limits : Minimum age 18 yrs ; Maximum age 38 yrs & below as on 22.01.2021 (date of notification). Upper age limit is relaxable for Government servant as per rules, 5yrs relaxation for SC & ST candidates & 3yrs for OBC candidates.

ii) The posts are purely on contract basis for an initial period of 12(twelve) months and no claim for further engagement will be considered without prior approval of the Competent Authority. No formal orders for engagement should be issued and contract agreement shall be the only document.

iii) Prescribed application form and details can be either had from the Office of the Chief Engineer or can download from the office website www.phedmanipur.gov.in

**E) Tentative Timeline for the recruitment:**

i) Date of Notification : 22.01.2021
ii) Last date of submission of form : 27.02.2021
in) Date of requisition from Employment Exchange : 22.01.2021
iv) Last date of requisition from Employment Exchange : 27.02.2021
v) Date of interaction : To be notified later.

**F)** Duly filled applications accompanied by copies of documents dully attested/ self attested should be submitted to the office of Chief Engineer, PHED, Manipur on or before 27.02.2021.

**G)** Original Certificate in support of qualification, domicile, SC/ST/OBC, age proof, etc should be produce at the time of interaction.

**H)** Fee: Application fee for UR and OBC candidates- Rs.400/- and SC/ST/others candidates-Rs.300/-

**I)** Interested candidates may apply through their respective employment exchanges for sponsoring above posts.

**Note:**
- **One person can apply for one particular post only.**
- **Selected Candidates who could not produce required documents shall be rejected.**
- **NIOS certificates shall be considered as per latest instruction of Director of Education (S), Government of Manipur.**

**Sd/- H. Sunil Singh**
Chief Engineer, PHED, Govt. of Manipur.

HL-B/6727/23,25